## লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ* ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চিংঙারেলদা লৈবা ৩০ এ আরনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কা খুৎশম্নরগা ঙসি নোংমগী ওইবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা সওঙ্খংদা পাঙথোকখ্রে।

গাইনোকোলোজি, পেদিয়াত্রিক্স, ই এন তি অমদি অতৈ এক্সপার্ট ডাক্তর কয়ানা শরুক য়াখিবা কেম্প অদুদা অকোয়বদা লৈবা মীওই ৭৫০ রোমদা কান্নবা ফংহনখিবা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু লেম্না য়েন্থোকখি হায়রি।

আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল রাজিব চোপ্রানা হায়, লমদম অসিগী মনুং চংশিনবা মফমদা লৈবা মীওইশিংগী অনা লায়েংগী থবক্তা আসাম রাইফলসনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংদুনা লাক্লি অমসুং পাংখিগনি। লাইরিক লাইশু হৈরবা নহারোল কয়াদসু পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা কন্না হোৎনরি।

## স্বিইং অমদি ৱেভিং মেছিন পীখ্রে

*জিরিবাম, জনুৱারি ১৫ঃ* ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্টতা মিৎয়েং থল্লদুনা জিরিবামদা বেজ তৌবা হেদক্বাটর ২২ সেক্তর আসাম রাইফলস অমসুং আই জি এ আর (ইষ্ট)কী মিৎয়েং মখাদা কাছার দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চংশিনবা শ্রীকোনা ভিল্লেজদা স্বিইং মেছিন ১৭ অমসুং ৱিভিং মেছিন ১ তেংবাং ওইনা পীখ্রে।

পোৎলমশিং অদু পীখিবগী পাঙথোকখিবা থৌরমদা ভিল্লেজ ওথোরিটি লমদম অদুগী নুপী অঙাং য়াওনা মীওই কয়া অমসুং আসাম রাইফলসকী ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। খুঞ্জাশিংনা আসাম রাইফলসকী তেংবাং অদুদা নুংঙাইবা অমসুং অপেনবা ফোঙদোক্লখি। নহারোলশিংগা ইন্টরেক্সন সেসন অমসু থৌরমগা মরি লৈননা পাঙথোকখি।

আসাম রাইফলসনা মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা থবকশিংদা অপেনবা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙলদুনা আসাম রাইফলসতা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা ভিল্লেজ এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফোঙদোকখি। লোয়ননা আসাম রাইফলস অমসুং মীয়ামগী মরক্তা লৈনবা মরি হেন্না চেৎশিনহনবা ওইরসনু হায়বগী ৱাফমসু থমখি হায়রি।


## উমা আয়ুর্বেদিক ক্লিনিক

**ফহনবা ঙমখ্রে**

না-তাদবা, নুংশা শোৱগী লায়না, ঈশিং পুকচৎ, শম কেনবা অমদি কোক-তাংবা, থাগী ৱিতু কাইবা নৎত্রগা ফিঙৌ চৎপা, ফিৰু থুংবা, হক্তিন্নবদা শন্দোকপা লায়না নৎত্রগা গেনোর্রিয়া, নুঙশং, খোংহান্বা নুংঙাইতবা অমসু পুক শৌগৎপা

**অঙাং য়াওদবা নুপা-নুপীশিংগীদমক**

করিগুম্বা অদোম অঙাং পোত্রবা অমসুং মদুগীদমক অদোম্না নুংঙাইতবা পোক্লবদি ঐখোয়দা পাউফাউদোকপীরকউ। ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা, কানরবা অমসু অফবা মখলগী হিদাক্না অদোম শোয়দনা পুক্লিং চংখোল্লবা ইচানুপা ইচানুপী অমা ফংবা ঙমগনি। মৰমদি অঙাং য়াওদবা নুপাখনুপী কয়ানা অঙাং ফংবা ঙমখ্রে।

**খ্বাং নাবা, খুউ নাবা, নঙ্গল নাবা অমসুং নাকল নাম্মা পংথবা**

করিগুম্বা অদোম নাকল নাম্মা পংথবা, খুউ নাবা, খ্বাং নাবা, খুনিং নাবা, পাম্বোম নাবা, লেংজুম নাবা, মখল খুদিংমক্কী তাং-তাং চীকপা-নাবগী অৱাবা মায়োক্লরবদি চানবিদুনা মফম অসিদা লাকপীয়ু। ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাকশিং শীজিন্নদুনা হায়রিবা লায়নাশিং শোয়দনা ফবা ঙমগনি।

**উনশাগী লায়নাশিং**

অঙৌবা পকপা, উনশাদা মচেৎ নায়না পোমথোকপা, লাইকোই, অমু-অমুবা দাগ তাবা, উনশাগী মহৌশাগী কুচ্চু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং শোয়দনা ফহনবা ঙম্মী। নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা হিদাক শীজিন্নবদগী অঙৌবা পকপা মচু ওনবা হৌরক্কনি অমসুং লায়না অসি থা খরগী মনুংদা মপুং ফনা ফহনবা ঙম্মী। লাই থোকখিবগী দাগ ফাওবা ফহনবা ঙম্মী।

**লুহোংবগী পূক্সি নুংঙাইনা লেনবিয়ু**

**অদোমগী হকতিন্নবগী সমস্যা**

করিগুন্বা অদোম নুমিদাংদা মতোমতা ফন্বী চৎলবা, মপানথোকপা নৎত্রগা খোং হান্বদা ফন্বী চৎপা, ফন্বী মরাং কাইনা চত্তবা নৎত্রগা মহি লাংবা, শক্তি হন্থবা, ফিনুংগী হকচাং লীংখৎপা ৱাৎপা, থুনা ফন্বী চৎপা, নুপা নৎত্রগা নুপীগী মখল খুদিংমক্কী ফিনুংগী ওইবা লায়নাশিং লৈরবদি চানবিদুনা ঐখোয়গা পাউ ফাউনবিয়ু। ঐখোয়গী হিদাক শীজিন্নদুনা মীওই লিশিং ২০ হেন্না অসিগুম্বা লায়না ফহনবা ঙমখ্রে। ঈশিং পুকচৎ অমসুং হায় ব্লদ প্রেসৰনা মরম ওইদুনা অঙাং পোকপা ঙম্বগী শক্তি লৈতবা ফাওবা মফম অসিদা ফহনবা ঙমখ্রে।

**য়েংবদা পূক্লিং চিংশিনবা অমসুং মওং তাবা ব্রেষ্ট**

করিগুন্বা অদোমগী ব্রেষ্ট অদু পীক্লবা নৎত্রগা চোন্থরবদি অমসুং অদোম্না অদোমগী ব্রেষ্ট চাওখৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক লৈবিয়ু।

**লিঙ্গ চাওখৎনবা মেছিন**

কৰিগুন্বা অদোম্না অদোমগী লিঙ্গ শাংবা অমসুং চাওবা হেনগৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা মফম অসিদগী মেছিন অসি লৈবিয়ু। মেছিন অসি শীজিন্নবনা লিঙ্গগী শাংবা অমসুং চাওথোকপা শোয়দনা ঙমগনি। লিঙ্গ লীংখৎপগী শক্তিসু হেনগৎহনগনি। হকচাংগী তোংশা অমসুং তাং-তাং চীকপা ফননবা হিদাকসু মফম অসিদা ফংগনি। মসিগীদমক ওর্দর তৌবিরকউ।

লিঙ্গ চাওখৎহন্নবা স্প্রে অমসুং ক্রিমসু মফম অসিদগী ফংবিগনি

**কমদৌনা য়ু থাদোক্কনি**

য়ুদা লাইচুরবা মীওইদা (মশাদা খঙহনদনা) ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাক পীজ পীথকপা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুংদা হরাও-নুঙাইবা হায়বদু হঞ্জিল্লক্কনি। মহাক সোইদনা য়াম্না থুনা লিকর/ য়ু থাদোক্কনি।

**অৰুম্বা হেনগৎহনবা**

চহী মতাং অমা হেক্তদা লৈবা মশা ময়াং কংবা, তাবা তাবাবা নুপামচা/ নুপীমচাশিংনা ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক শিজিন্নবা তাৰবদি নুমিৎ খৰানিদা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎহনবা ঙমগনি।

LONG JOHN CREAM - The power of man, CHINEESE MADE ORGAN DEVELOPER & BREAST DEVELOPER ARE AVAILABLE HERE

***LOOSENESS OF PRIVATE PART***

If your private part has become loose due to encess sex, encess children leucorrhoea or any reason, then please contact us. It will be tight using own madicine surrely. Your will be as young girl. no side effect.

**Please Contact:-**
**Dr. R.N.. Gupta (396)**
C/o Uma Ayurvedic Clinic
Thangal Bazar, Khoyathong Road,
Kwality Wall Ice Cream Building, 1st Floor
Khoyathong, Imphal - 795001 (Manipur)

*য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুটতগী লাপথোক্কবা*

করিগুন্বা অদোম্না য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুট শীজিন্নবা থাদোকপা পাম্লবদি চানবিদুনা ডা আর এন গুপ্তদা হকথেংননা উনবিয়ু


# বি জে পিগুম্বা পার্টিনা নাখৈ শেংদবা নৈশিনবা মানবা ৱা ঙাংদবা ফগনি– *এম এস এফ*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ* মনিপুরদা আর্মদ ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱার্স) এক্ট কী মরুমদা মীয়াম ঙাক শেনবগী নমাদা অহেনবা সেক্যুরিটি ফোর্স থাজিল্লক্লিবসি মীয়াম্বু ওৎ নৈনবনি হায়বদু বি জে পিগী সেনিয়ার লিদর প্রসাদনা খঙগদবনি লোয়ননা বি জে পিগুম্বা অচৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমনা ৱা ঙাংবদা য়াম্না নাখৈ শেংদবা নৈশিনবা মানবা ৱা ঙাংদবা ফগনি হায়না মনিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম এ ৱাকিন অন্সারিনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অফস্পা চৈথেং ফংলিবসি শুপ্নতগী মীচম মীয়াম খক্তনি। অদুনা মীচম ওৎ নৈনবা শেম্বা এক্ট অসি লৌথোকপদা করিসু খন্ননিঙাই লৈতে। মনিপুরদগী অফস্পা লৌথোকপদা নেসনেল সেক্যুরিটিদা করিসু অকায়বা লৈরোই। এক্ট অসি লৌথোকখিনবা দাবী তৌরবসু ঙসি ফাওবদা এক্ট অসি থমজিন্দুনা মীওৎ মীনৈ কয়া লেপ্তনা চত্থরি। মীচম কয়া অৱাবা তাহল্লি। হৈরাঙ্গোই থোংগী মীহাৎ, পাৎসোই লাংজিংগী মীহাৎ, মালোমগী মীহাৎ, রিমসতা পরেং লেংহল্লগা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক, মনোরোমাগী মীহাৎনচিংবা অসি ইন্দিয়ান আর্মিনা লেপ্পা লৈতনা চত্থরক্লিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা খরখক্তনি। লালহৌবা ফানবগী মীংদা করিসু খঙদ্রবা ইমুংদা তুমদুনা লৈজবা মীওইশিং সেক্যুরিটি ফোর্সকী মীওইশিংনা ফুবি-চৈবিবা লন-থুম মাঙহন তাকহনবিখিবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে হায়বসি বি জে পিগুম্বা নেসনেল পার্টিনা কাওদবা ফৈ।

ভারত্তা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মেন লেন্দ ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোন তশেংনা চেনবা লৈরগদি ভারতকী ফিবান্নুংদা লৈরিবা মনিপুরগী ফিভম অসি নিংথিনা অমসুং মমুৎ তানা নৈনফম থোকই। নৈনবা ঙমদ্রগা অমদি ভারতকী ৱাখল্লোন শাগৎপা ঙমদবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পংঙাং ঙাংবদুদি রাজনিতিগী অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। এক্ট অসিবু লৌথোক্লবগীদমক্তা খোঙজং কয়া চংশিন্দুনা লাক্লিবা মনিপুরগী মীয়ামদদি খোই মহুমদা চৈনা থিনবঙ্গুম থোক্কনি। এম এস এফকী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এদভাইজর ওইরম্বা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জন মঙাংনা এক্ট অসিগী মায়োক্তা মশা মথন্তনা মৈ থাজদুনা ইমা লৈপাক্কীদমক থৱায়না পোম্থা পীখিবা অমরোমদা ইরোম শর্মিলানা এক্ট অসিগী মায়োক্তা ঙসি ফাওবা চরা হেন্দুনা খোঙজং চত্থরি হায়বা অসিসু খঙগদবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়াদগী এক্ট অসিগী শক্তি লৌথোকখ্রে অদুবু অতৈ মফমশিংদদি অদুমক চৎনদুনা লৈরি। লালহৌবগী মীৎয়েংদা য়েংলগসু এক্ট অসি চৎনবা নৎত্রগা চৎনদবগী থোইনা অরুবা ৱাফম ওইদে। মনিপুরদদা নত্তনা হেন্না ইরাং লৈবা ভারতকী অতৈ ষ্টেটশিংদদি অসিগুম্বা মখলগী এক্ট অমত্তা চৎনবগী ৱাফম লৈতে। মসিনা তাকপদি ভারত সরকার অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংগী অখুবা মীয়েংনা মনিপুরবু তোখায়না তাহন্নিংবগী অপাম্বদু লৈবরা হায়বসি চিংনহল্লি অদুনা ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহনফম থোকই। এক্ট অসি মনিপুরদা মখা তানা থম্বগী মথৌ তারি হায়না আর এস এসনা প্রেস ইন্টরেক্সন অমদা হায়খিবগীদমক এম এস এফনা মনিপুর মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা আর এস এস মনিপুর অমদি মসিগী মশা মরেং ফাওবা মখোয়গী থবক থৌরমশিংদা অথিংবা থল্লিবনি হায়বসি বি জে পি অমসুং অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু খঙফম থোকই হায়রি।



তফৌ নাগা লোকেল গ্রাউন্দা চত্থরিবা গুর্খা ফুটবোল ফাইনেল মীট কম মেগা মেলা ২০১৪ হৌদোকপগী থৌরমদা খুক্রি দান্স উৎখিবা

# তমেংলোং অমসুং জিরিবাম ঙমখৈগী ৱাথোক অথুবদা লোয়শিনগনি থাজে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ* তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী বাউন্দরি অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জিরিবাম সব দিভিজনগী মরক্তা ঙমখৈ লানশিল্লি লানশিন্দে হায়বগী ৱাথোক লৈরিবসি অথুবা মতমদা সরকারনা লোয়শিন্নবা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না জিলিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্ট (এ এন এম)না ফোঙদোরক্লি।

জেদ য়ু এফকী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি জোজ পাউমৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী বাউন্দরি অমসুং জিরিবাম সব দিভিজনগী মরক্তা আইন কায়না লম খোপচিল্লি হায়বগী ৱাথোক অমা কন্না লাক্লিবা অসিগী মতাংদা মীয়ামগী খোল্লাওবু জেলিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্টনা শৌগৎলি অমসুং মদুদা য়ানিংবা চপ চানা ফাওই। তোঙান তোঙানবা সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংগী ৱাফমদা মনিপুর সরকারনসু খঙবিদুনা চিফ মিনিষ্টর অমসুং দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টরগী ওফিসতা জেলিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্ট অমসুং মনিপুর সরকারগী মরক্তা অহুম মরিরক হন্না ৱারী শান্নখিবা লৈখ্রে। মদুদা য়ানখিবগী মতুং ইন্না য়েৎনরিবা মফম অদু জোইন্ট ইনক্বারি টিম অমা শেমদুনা য়েংশিনখ্রে। টিম অদুদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং জিরিবাম সব দিভিজনগী মরি লৈনবা ওফিসিয়েলশিং য়াওখি।

ইনক্বারি টিম অদুগী রিপোর্ট মনিপুর সরকারদা পীখৎলক্লবা মতুংদা ৱাথোক অদু মতম চুপ্পগী ওইনা য়াশিন্নবা পুরক্লবগীদমক মখা তানা জেদ ৱাই এফ অমসুং সরকারগী অপুনবা মীতিং অমা পাঙথোকপা হায়নসু য়ানখিবা লৈ। দিপ্যুটি কম্মিস্নার তমেংলোংনা লুচিংখিবা এ দি এম তমেংলোং অমসুং এস দি ও তৌসেম লোয়ননা জিরিবাম সব দিভিজনগী মরি লৈনবা ওফিসিয়েলশিং য়াওবা জোইন্ট ইনক্বারি টিম অদুনা হৌখিবা তাং ৭ তগী ৯ ফাওবা য়েৎনরিবা মফম অদুদা চত্তুনা য়েংশিনখি।

মখা তারকপা ওইনা জেদ ৱাই এফনা অপুনবা মীটিংগীদমক সরকারদগী ইন্টিমেসন ঙাইদুনা লৈরি। করিগুম্বা অথুবা মতমদা ৱাথোক অসি লোইশিনবা ঙমদ্রবদি হেন্না লুশিল্লকপগা লোয়ননা সেন্সিটিভ ওইবা ইসু অমসু ওইরকপা য়াই। মরম অদুনা ইনক্বারি টিম অদুনা অথুবা মতমদা সরকারদা রিপোর্ট পীখৎনবা হায়রদুনা মদুতনা অথুবা মতমদা সোলুসন অমা পুরক্লবা হোৎনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোরক্লি।

# গুর্খা ফুটবোল ফাইনেল কম মেগা মেলা হৌখ্রে

*ন্যুমাই ন্যুজ নেটৱার্ক*

*সেনাপটি, জনুৱারি ১৫ঃ* ঐখোয় লিংজেল মান্নসি, ঐখোয়গী কলচর য়োকখৎসি অমসুং হিঙ্গৎহনসি হায়বা থিমদা এল ভি টি ও অমসুং দি ইউনা য়ুম্বু ওইরগা গুর্খা ওটোমোবাইলস ওর্নরস এন্দ দ্রাইভর্স য়ুনিয়ন্না শীনবা গুর্খা ফুটবোল ফাইনেল মীট কম মেগা মেলা ২০১৪ ঙরাংদগী তাফৌ নাগা লোকেল গ্রাউন্দা হৌখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এসোসিয়েসন ফোর পোভর্টি অফলিফমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ভি এস জোসেফ ভেমাইনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা চিফ মেদিকেল ওফিসার সেনাপটি ডাক্তর পুস্পা রাই, হেদ ক্বাটর আই জি এ আর সাউথকী কেম্প কম্মান্দেন্ট কৃষ্ণকুমার কাদারিয়া, ওল মনিপুর গুর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট প্রদিপ রিজাল অমসুং এন জি বি সি এগী ইগজিক্যুটিভ সেক্রেটরি রেভ দিপক বর্দেৱানা ইকায় খুম্নবা মীথুং অদুগা এস দি ও এ এমগী প্রসিদেন্ট রোবার্ট টি মরামনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুং ওইখিবা বি এস জোসেফ ভেমাইনা মীয়ামদা পুন্না অমসুং নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা অমসুং মমাংদা থোকখিবা কয়া খঙনা মখা তানা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবা ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন চেন্নবা আপিল তৌখি।

ডাক্তর পুস্পা রাইনা ঐখোয়গী কলচর হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসিমক অচুম্বা খোঙথাংনি হায়রদুনা নুপীশিংতগী ওইবা ফুটবোল এক্সিবিসন মেটচ পাঙথোকপা হায়বসি নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবগী অফবা খুদম্নি হায়খি। নুপা ওইবশিংনসু নুপীশিংবু শৌগৎপীদুনা মখোয়গী য়াইফ থৌরাংগীদমক পায়খৎপা থবক কয়া খুমাং চাওশিনবা ঙম্নবা হোৎনবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

কৃষ্ণকুমার কাদারিয়ানা হায়, গুর্খা কম্যুনিটিগী মীওইশিং পুন্দুনা নুংঙাইবা অমসুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবগী খুদোংচাবা অমসু থৌরম অসিনা পীরি। তাফৌ নাগাগী চিফ কেঐচ তাইলুনা ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিলহন্নবা কন্না হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা রোবার্ট টি মরাম্না নাগা পিপলস ফ্রন্টনা গুর্খাশিংদা পীবা পাউজেল পাথোক্তুনা খঙহনখি। গুর্খাশিংবু মখোয়গী থবক কনবা, পুকচেল শেংবগীদমক শীংথানরিবনি হায়রদুনা হৌখিবা চহি ১০০ রোম অসি নাগা অমসুং গুর্খাশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অথোইবা মীথুং ওইখিবা জোসেফ ভেমাইনা কনা লৈজদ্রবা অমসুং মীমান্নদ্রবা শোয়নাইরবা লাইরিক লাইশু তম্বা ফংদ্রবা শিংগীদমক পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী ৱাফম লাউথোক্লদুনা মরি লৈনবা মেম্বর নৎত্রগা ওর্গনাইজেসনশিংনসু তেংবাং অসিগীদমক খঙহল্লক্লবা হায়খি। কলচর অমসুং স্পোর্টসকা মরি লৈনবা থৌরম কয়া পাঙথোকপা অসিমক অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎনবা হোৎনবগী অচৌবা শরুক অমনি হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা অসিগুম্বা থৌরম কয়া পাঙথোক্লবসু আপিল তৌখি।

মেগা মেলাদা গুর্খাশিংনা মমাংঙৈদগী হৌনা শীজিন্নরকপা পোৎলম কয়া উৎখি। মকর সংক্রান্তি কুম্মৈগা মরি লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খুগ্রি জগোই, মগর জগোই, তমাং জগোই, করাতে জগোইনচিংবা উৎখি। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা গুর্খাশিংনা মখোয় মখোয়গী নাৎকী ওইবা ফিজোল শেত্তুনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরম অসি গুর্খাশিংগীদি খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি হায়না লৌরি। ঙরাংদগী হৌখিবা গুর্খা মীট কম মেগা মেলা অসি লাক্লিবা তাং ২০ ফাওবা চত্থগনি হায়রি।

# লাইরেনকাবীদা অফস্পাগী মতাংদা খন্না নৈনখ্রে


*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ* ইন্টর্নেসনেল হ্যুমেনিটরিয়ান লোজ অমসুং আর্মদ ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱার্স) এক্ট ১৯৫৮ কী মতাংদা ঙসিসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লাইরেনকাবী মমাং লৈকাইদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

নোর্থ ইষ্ট দাইলোগ ফোরম, রুচি, এস এ আর সি অমসুং সি বি ওনা পুন্না শীন্দুনা চত্থখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা লাইরেনকাবী অমসুং অকোয়বদা লৈবা মফমগী মৈরা পায়বী, য়ুথ ক্লব, মহৈরোয় অমদি অহল চাওরাক্না ৬০ রোম্না শরুক য়াখি।

নোর্থ ইষ্ট দাইলোগ ফোরমগী মেম্বর চাওবা তখেল্লম্বম্না রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা মীফম অদুনা ভারত সরকারদা অফস্পা রিপিল তৌনবা রিকমেন্দেসন তৌবগী ৱারেপ মত অমত্তা লৌখি। অসিদসু নত্তনা ইউ এন কম্মিটি ওন ইলিমিনেসন ওফ রেসিয়েল দিস্ক্রিমিনেসন অমসুং অতৈ ইউ এন ত্রিতি বোদিশিংনা তৌবা রিকমেন্দেসনশিং খুদক্তা থবক্তা ওন্থোক্কবা, মরিশুবা জেনেভা কনভেন্সনগী কম্মন আর্টিকল ৩ ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোক্কবা, মরাল লৈতবা মীচমশিং নুপী অমসুং অঙাং হাৎপা, ওৎ নৈবা, রেপ তৌবিবগী কেস খুদিংমক থিজিন্নবা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম লিংখৎপা অমসুং ভিক্টিম ওইরবশিংদা জষ্টিস ফংহনবগা লোয়ননা কম্পেন্সেসন পীনবা, নোর্থ ইষ্ট রিজনদা মতম চুপ্পগী ওইনা শান্তি থম্নবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী ওইবা ইন্সটিট্যুট ফোর রি কোন্সিলিয়েসন লিংখৎনবা অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সনা মীচম কৌখৎপা অমদি ওৎ নৈবগী থবক খুদক্তা লেপ্পবা ভারত সরকারদা রিকমেন্দ তৌবা হায়নসু অমত্তা ওইনা য়ানখি হায়রি।



গান ডাই কুম্মৌগা মরি লৈননা মফম অমদা নাৎকী ওইবা থাং-তাগী পার্ফোমেন্স উৎখিবা



# সেরৌগী ৱার্দ ১১ গী মনুংদা ৬ তি মীতোপকী ওইখ্রে – *ফ্রেন্দস*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ* থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী শুগনু কেন্দ্রগী মনুং চনবা সেরৌগী অপুনবা ভোটর অসি ৩২৬৬ নি। মসিদা ৱার্দ ১১ লৈবগী মনুংদা ৱার্দ ৬ তি নেপালি অমদি বঙ্গালি ঙাক্তা ওইরে অদুগা লেমহৌরিবা ৱার্দ ৫ দসু নেপালি অমদি বঙ্গালি য়াওরি হায়বা খঙলে হায়না ফ্রেন্দসনা ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসন ওফ রিজনেল ইন্দিজেনস সোসাইটি (ফ্রেন্দস)কী সেক্রেটরি পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, সেরৌগী উপ প্রধান অমদি মেম্বরশিংনা পাউদম্লকপগী মতুং ইন্না অপুনবা ৱার্দ ১১ গী মনুংদা ৱার্দ ৬ তি নেপালি অমদি বঙ্গালি খক্তগী ওইরে হায়বসি খঙবা ঙমখিবনি। লমদম অসিদা মপানদগী হাইজিল্লকপা মীতোপশিংগী মনুংদা বঙ্গলাদেশতগী বঙ্গালি অমদি নেপালদগী নেপালি য়াওরব্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং অমা ওইরক্লে।

লমদম অসিদা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা লম লৈবা য়োনবা য়াহনবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা মনিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্দুনা য়েলহৌমীশিং কনবদা তঙাইফদবা পাম্বে ওইগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, শুগনু অমসুং সেরৌ কৈথেলগী অকোয়বদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়োনবা দুকান্নচিংবদা ফ্রেন্দস থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি চোংথাম সনাতোম্বা অমদি থৌমীশিংনা শুগনু ম্যুনিসিপালিটিগী ভাইস চিয়ারপার্সন ৱাই মুহিন্দ্রো অতৈ কাউন্সিল্লরশিং, শুগনু পুলিস ষ্টেসনগী এস আই সান্তিকুমারনচিংবা য়াওনা চ্যেক তৌবদা মনিকার বুজিয়া বেক্করিগী পোখোকশিং লেবেল অমত্তা য়াওদনা য়োল্লম্বা থেংনখি।

মখা তানা লাল মোহার মালিক বেক্করিদা চাইল্দ লেবর ২ য়াওরমখি। লেবেল য়াওদনা য়োল্লম্বা পোৎশিং নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা লেবেল হাপ্পবা অদুগা হয়েংমক চাইল্দ লেবর ২ অদু ময়ুমদা থিনবিখিনবা টিম অদুনা হায়রমখিসু হায়রি। অসিদসু নত্তনা সেরৌ কৈথেলগী অকোয়বদা লৈবা হোটেলশিং লুনা-নান্না চল্লাইনবসু মখোয়না খঙহল্লমখি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরকলি।

# এ এ পিগী কেম্পেইন মখা চত্থরি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ* দিল্লি সরকার লুচিংলিবা আম আদমি পার্টি ( এ এ পি)গী ইনরোলমেন্ট কেম্পেইন ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখ্রে।

এৱ্যারনেস অমসুং ইনরোলমেন্ট কেম্পেইন অদুদা শরুক য়াখিবা এ এ পিগী নেসনেল ইগজিক্যুটিভ মেম্বর হাবুং পায়েংনা হায়, লৈপাক অসিগী ওইনা এ এ পিগী মেম্বরসিপ ক্রোর ১ ইনরোল তৌনবা পান্দম থল্লি। ইনরোলমেন্ট অসি চৎলিবা থা অসিগী তাং ২৬ ফাওবা চত্থগনি। কেম্পেইন অসি চত্থরকপা নুমিৎ ৪ নিদা মেম্বরসিপ লাক্ষ ১০ হেন্না ইনরোল তৌবা ঙমখ্রে।

মনিপুর ষ্টেটকী ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা কেম্পেইন অসি চত্থরি। পার্টি অসিগী ষ্টেট লেবেল ওবজার্ভর অমমম থমদুনা নেসনেল লেবেল ওবজার্ভরগী মখাদা থবক তৌরি। দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কম্মিটিসু শেম্নবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কম্মিটি ৯ লৈরে। মনিপুর ষ্টেটকী ওইনা কোওর্দিনেটর অমসু হাপখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ইগজিক্যুটিব মেম্বর ১৩ লৈরে হায়খি।

হাবুং পায়েংনা মখা তানা হায়, মনিপুরদা দিভলপমেন্টকী প্রোগ্রেস অমত্তা লৈত্রে। দিমাপুরদগী ইম্ফাল ফাওবা লৈখা লম্বীদা লাকপদা নেসনেল হায়ৱেগী ওইহৌরিবা ফিভমদা অঙকপা ফোঙলদুনা ষ্টেট অসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অসিগী ওইরিবা ফিভম্না মীয়াম্না অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবনি অমসুং শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা শোত্থরিবনি হায়খি।

ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম হায়নিংঙাই লৈতনা ফত্তবগা লোয়ননা শেঞ্জা থুমজাগী চাংসু খম থেংলে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা আম আদমি পার্টিনা মপুং ওইনা শেঞ্জা থুমজাগী মায়োক্তা লেপ্লি অমদি শোত্থরবা মফমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা শেমগৎ শাগৎপা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তসু হেন্না পুক্লিং চংগনি হায়বগী অচেৎপা ফিরেপ লৌরি হায়রি।

# ৱুমেন ভলন্টরি এসোসিয়েসন জিরি ব্রাঞ্চকী থৌপুবা খনখ্রে

*জিরিবাম, জনুৱারি ১৫ঃ* ওল মনিপুর ৱুমেন ভলন্টরি এসোসিয়েসন জিরিবাম ব্রাঞ্চকী জেনরেল বোদি মীফম ঙসি জিরিবাম মৈরা পায়বী ওফিসতা পাঙথোক্তুনা চহি ২গী থৌ পুগদবশিং নৌনা খনখ্রে।

নৌনা খনখ্রবা থৌ পুবশিং অদুদি হিলঘাটতগী লাইশ্রম শুমতি প্রসিদেন্ট, বিদ্যনগরদগী টিঐচ সিতা ভাইস প্রসিদেন্ট, কালিনগরদগী সিঐচ ইমোইনুঙাম্থোই লৈমা জেনরেল সেক্রেটরি অমদি খাইদেম বিমোলা এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি, কদমতলাদগী ও বলা ফাইনান্স সেক্রেটরি, কে লিম্থোইঙম্বী এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি, ৱাই বিনা পব্লিসিটি সেক্রেটরি, এস সনাহনবী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি, চন্দ্রপুরদগী ৱাই কোম্বিরৈ ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি, কে ধনপতি এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন অমদি চীংদোং লৈকাইদগী কুমারি সেরাভানু ইগজিক্যুটিভ মেম্বরনি।

ঙসি ওল জিরিবাম মৈরা পায়বী ওফিসকী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা জেনরেল বোদি মীফম অদুদা ওল মনিপুর ৱুমেন ভলন্টরি এসোসিয়েসন হেদ ওফিসকী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানি, ওল জিরিবাম মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট এস সুশিলা দেবী অমদি ওল জিরিবাম য়ুনাইটেদ ক্লব এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এম মাইপাকসনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি ইকায় খুম্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।